## ইসাক হেরজোগপু ইজরেলগী ১১ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে

জেরুসালম, জুন ০২ (এজেন্সী) : ইজরেলগী পার্লিয়ামেন্টনা লেবর ভেটরান ইসাক হেরজোগপু লৈবাক অদুগী ১১ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন্দা লৈরিবা লো মেকরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নেটান য়াহুনা মহাক্কী মফমদগী ইন্তুনবগীদমক কোক চুংশিন্নবা হৌখ্রে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবা রিয়ুভেন রিভলিনবু মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা হেরজোগনা মায়থিবা পীখিবনি। হেরজোগপু লৈবাক অদুগী ১১ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা চহী ১২ প্রাইম মিনষ্টর ওইদুনা লাকখিবা নেটান য়াহু অচৌবা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈরি হায়রি।

## পেন্দিমিক্লা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লহল্লে

জেনেভা, জুন ০২ (এজেন্সী) : কোভিদ-১৯ পেন্দামিক্লা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা চৈথেং পীরি। পেন্দামিক অসিনা মরম ওইরগা লনাই ফার্মদা থবক তৌবা মীওই কয়াদি অমুক্কা হেন্না অৱাবা তাহল্লি। কোভিদ-১৯ পেন্দামিক্লা মরম ওইরগা লৈবাক লৈবাকশিংনা লোকদাউন থমজিনখিবা অদুনা ওফিসতা চৎলগা থবক শুবা য়াদবনা মরম ওইরগা অমদি প্রাইভেট ফার্মশিংসু মতম খরগী ওইনা থবক শুদনবা ফিরেপ লৌখিদবদগী ফার্মশিং অদুদগী থাগী ইনকম লাক্কন্বা অদু লেপখিবনা মরম ওইদুনা মীওই মিল্লিয়ন ১০০ রোমদি চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে।

কোভিদ-১৯ পেন্দামিক অসি হৌজিক্তি পব্লিক হেল্থ ক্রাইসিস খক্তমক ওইরক্ত্রে মসি থবক ফংদবা অমসুং হ্যুমেন ক্রাইসিস ওইরক্লে হায়না ইন্তরনেস্নেল লেবর ওর্গনাইজেসন (আই এল ও) গী চীফ গাই রাইদরনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদগী অমুক হেনজিল্লক্লবদি মীওই মিল্লিয়ন কয়া মখা তানা অৱাফমদা তারবা য়ানা লৈরি। মরু ওইনা থাগী ইনকম লাকপা লেপখিবনা মরম ওইরগা চাবা ফংলক্তবদগী মীশি মীনা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবশিং লৈ। হায়রিবা অসি মালেমগী লৈবাক খুদিংক্তা থোক্লিবা ৱাথোক অমনি।

ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিনদি কোভিদ পেন্দামিকপু মীয়াম্না মায়থীবা পীবনি। মসি নত্তনা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি কোকহনবা ঙম্লোই হায়রি।

## চহী ১২-১৫ গী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং ভেক্সিন কাপ্লগনি

জেরুসালম, জুন ০২ (এজেন্সী) : ইজরেলদা লৈরিবা চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি হায়না ইজরেলগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱাঙাঙলোয়না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরী লৈননা থল্লম্বা অথিংবা অয়াম্বা লৌথোকপা হৌখ্রে। চহী ১৬ কী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ পাক শন্না চথখ্রবা মতুং অথিংবশিং অদু লৌথোকপা হৌখিবনি।

কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপনা লায়না লাইচৎ অসি থেংননবগী খ্বাইদগী ফবা পান্থে অমা ওইরি। কোভিদ-১৯ না মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌম্বা ঙম্বা মেদিসিন অমত্তা পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা ইশা ইশানা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা অসিনা লায়না লাইচৎ অসিনা কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু ইদাক কাপথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

ইজরেলদা চহী অসিগী হৌগৎলকপদা কোভিদকী এক্তিভ কেস মশীং ৮৮,০০০ রোম লৈরমখি। অদুবু ফাইজর/বাইওএনটেক ভেক্সিন পাক শন্না কাপথোকখ্রবা মতুং হৌজিক লৈবাক অসিদা শুপ্পনতংগী এক্তিভ কেস মশীং ৩৪০ খক্তমক ঙাইরে হায়রি।

## এ এস ঈ এ এনগী মীহুৎশিংনা ম্যান্মারদা চয়োলসিগী মনুংদা চৎলবা য়ানা লৈরি




ব্রুনৈ, জুন ০২ (এজেন্সী) : এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (এ এস ঈ এ এন) গী লুচিংবশিংনা চয়োলসিগী মনুংদা ম্যান্মারদা চত্তুনা লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অদুগী মতাংদা খন্নরবা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

লৈবাক ১০ গী অপূনবা গ্রুপ অসিদা ম্যান্মারসু মেম্বর অমা ওইরি। এসোসিয়েসন অসি শেমখিবা মতমদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা লৈবাক অমগী ইন্তরনেল মেটরদা খূৎ থিংজিন্দবা হায়না য়ানখি। অদুবু হৌখিবা ফেব্রুৱারী অমদগী ম্যান্মারদা ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অদুনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা এ এস ঈ এ এনগী লুচিংবশিংনা ম্যান্মারদা চত্তুনা ফীভম অদু হকথেংননা য়েংশিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি অমদি অতোপ্পা পোলিটিকেল লুচিংবশিং হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লি। এ এস ঈ এ এনগী লুচিংবশিংনা ম্যান্মারদা চত্তুনা ফীভম অদুগী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রবসু মখোয়গী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মিলিটরি গভর্ণমেন্ট অমসুং ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা অমদি লোত্তুনা লৈরিবা পোলিটিকেল লিদরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাগদ্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

ম্যান্মারদা লৈরিবা মীয়াম অমদি মালেমগী লৈবাক কয়াবু ম্যান্মারদা ওইরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখ্রবনি। মদুগী মতুং এসোসিয়েসন অসিগী ওইবা মীফম অমা মমাং থাগী অঙনবা শরুক্তা ম্যান্মার মিলিটরিগী লুচিংবা য়াওনা খন্নখি। অদুবু মদুগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদ্রবসু মীফম অদুগী মতুং ইন্না ম্যান্মার গভর্ণমেন্টতা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামগী মায়োক্তা অহেনবা থবক থৌওংশিং চথদনবা, মীয়াম্না পান্বা লৈঙাক অমা শেম্নবা অমদি নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শাদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা খঙহনখিবনি। অদুমওইনমক ম্যান্মার লৈঙাক্লা মদুগী মায়োক্তা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্বুকা হেন্না ওৎ নৈবা অমদি জুন্টাগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবা মীওই খুদিংমক জেলদা ফাজিন্দুনা থম্বগী থবকশিং চথদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা মীয়ামগী ওইবা খোঙজংদা সেক্যুরিটি ফোর্সকা মুক্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৮০০ রোম শিখ্রে হায়রি।

## ফায়র ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু নেভেল সিফ লুপখ্রে

টেহরান, জুন ০২ (এজেন্সী) : ইরানগী অচৌবা নেভেল সিপ অমা গল্ফকী শরুক্তা মৈনা চাকখিবা অদু ফায়র ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা মুথৎনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা জহাজ অদু ঈশিংগী ঈরোলনুংদা লুপখ্রে হায়না নেভি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।




নেভি ওফিসলশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বৃটিশনা শাখিবা মিটর ২০০ রোম শাংবা ভেসেল খার্গ হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গল্ফ ওফ ওমানদা লৈবা জাস্ক পোর্টতা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি। জহাজ অদুগী ইঞ্জিন অমদগী মৈ অদু খঙহৌদনা চাকপা হৌরকখিবনি। মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা ফায়র ফাইটরশিংনা থুনা য়াঙনা চঙশিন্দুনা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনখি।

পুং ২০ রোম ফায়র ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু জহাজ অদু মৈদগী কনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা ঈশিংগী ঈরোলনুংদা লুপখিবনি। অদুমওইনমক জহাজ অদুদা তোংখিবা ক্রু মেম্বরশিংদি তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

খার্গ ভেসেল অসি মতম অমদা মপাঙ্গল য়াম্না কনবা ওইবনা লৈবাক অয়াম্বনা মসিনা পাম্নখি। বৃটেননা শাবা ভেসেল অসি ইরাননা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৬ তা লৈনবা ওর্দর তৌখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৮৪ দা খার্গ ভেসেল ইরানদা থুংলখিবনি।

ইরানগী ওইনদি খার্গ ভেসেল অসি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরি। সমুদ্রগী ঈমায়দা ৱার সিপশিং রিসপ্লাই তৌবা ভেসেল অসি খার্গ খক্তনি। ইরানিয়নশিংনদি ভেসেল অসিবু করিগুম্বা মতমদা হেলিকোপ্তর কেরিয়র হায়নসু কৌনৈ। মালেমগী ঈশিংগী শরুক্তা ভেসেল অসি ট্রেনিং মিসন অমগীদমক চৎখিবনি।

ভেসেল অসিগা লোয়ননা দেষ্ট্রোয়র এলবোর্জসু শরুক য়াখি। ট্রেনিং মনুংদা ভেসেল অসি খঙহৌদনা অমাং অতা থোকখিবা অসি ইরান নেভিগী ওইনদি য়াম্না মাঙজবা অমনি। ভেসেল অদুগী ইঞ্জিন লৈরিবা কাদগী মৈ অদু হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরবসু চপ চাবা মরমদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অমরোমদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা ইরিনিয়ন ভেসেলশিংদা হৌখিবা থা খরা অসিদা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌদোকশিং থোক্লি। হৌখিবা এপ্রিল থাদসু রেদ সিদা টেহরানগী ৱার সিপ সেবিসতসু খঙহৌদনা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

## অলাসকা ৱাইল্ড লাইফ রেফ্যুজতা ওইল দ্রিল্লিং তৌবগী থবক জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথিংবা থমখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ০২ (এজেন্সী) : অলাসকাগী অর্কটিক নেস্নেল ৱাইল্ড লাইফ রেফ্যুজ (এ এন দব্লিউ আর) দা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ওইল দ্রিল্লিংগী থবক অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইন্টরিয়র দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা মফমদুদা হান্না মথৌ তৌদুনা লৈরিবা দ্রিল্লিং কম্পনিশিংদা খুদক্তগী থবক লেপ্পবা খঙহনখ্রে। হায়রিবা মফম অসিদা লৈরিবা পোল্লর বিয়ারশিং অমসুং অতোপ্পা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা শাশিং অমসুং অপিকপা ফুরুপ খরা মফমদুদা খুন দারিবা অদুগী য়েংলগা পেট্রোলিয়ম দিভলপমেন্ট এক্তিভিটিগী থবক লেপহনখিবনি।

হান্না য়ু এসতা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দোনাল্ড ত্রম্পনা এ এন দব্লিউ আর দ্রিল্লিং তৌবগী থবক অয়াবা পীরমখিবনি। মদুগী মতুং থা খরগী মমাংদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা দোনাল্ড ত্রম্পকা লন্বা তৌনখিবা জো বাইদেননা করিগুম্বা মহাক্লা ইলেক্সনদা মায় পাক্লবদি এ এন দব্লিউ আরদা চথরিবা দ্রিল্লিংগী থবক থিংগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

জো বাইদেননা ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঙরাং অলাসকাদা লৈরিবা ওইল দ্রিল্লিং কম্পনিশিং অদু থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। এ এন দব্লিউ আর মফমদা দোনাল্ড ত্রম্পনা ওইল দ্রিল্লিং তৌবদা অয়াবা পীখিবা অদুবু ইনভাইরোনমেন্টলিষ্ট কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মদুনা মরম ওইরগা মফমদুদা লৈরিবা অপিকপা ফুরুপকী মীওইশিং অমদি লমলক্কী শা উচেকশিং মরু



ওইনা পোল্লর বিয়ারদা চাওনা চৈথেং পীরক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অলাসকা ৱাইল্ডরনেস লিগকী এক্তিং একজিক্যুটিভ দিরেক্তর খৃষ্টান মাইলরনা ওইল দ্রিল্লিংগী থবক থৌরম লেপহনখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মফম অদুদা লৈরিবা লমলক্কী শা উচেকশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা বাইদেননা চাওনা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা অমুক হন্না মাইন ব্যুজিনেস তৌহন্দনবা আপীল তৌরক্লি।

## ফিনলেন্দ প্রাইম মিনিষ্টরনা ব্রেকফাষ্টকী শেনফম পীথোক্লগনি



হেলসিনকি, জুন ০২ (এজেন্সী) : ফিনলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর সনা মরিন অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা লৌরিবা ব্রেকফাষ্ট অদু গভর্ণমেন্টকী ইনকমদগী লান্না শীজিন্নবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকখ্রবা মতুং মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মহাক মশা য়াওনা ইমুং মনুংগী চাদিং তৌখিবা ব্রেকফাষ্টকী শেনফমশিং অদু গভর্ণমেন্টতা পীখৎলগনি হায়না ত্বিটরগী খুত্থাংদা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবী লুচিংবী অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না চয়োলসিগী মনুংদা মহাক্লা লৈঙাক্তা য়ুরো ১৪,০০০ পীখৎলগনি অমদি মখা তানা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা চাবা থকপগী ফেসিলিটিশিং অদু মহাক ইঙোয় তৌররোই। লন্নাই ওইনা মশাগী পোকেট মনিদগী শীজিন্নরগনি হায়রি। চহী অমা মখায়রোম ফিনলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবী সনানা মখা তানা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না পামদবা অমদি চিংননিংঙাই ওইবা থবক অমত্তা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা তৌরোই।

প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইনা মঙোন্দা ওথোরিটিশিংনা মখল মখা কয়াগী খুদোংচাবশিং পীরি। অদুবু হায়রিবা খুদোংচাবশিং অদুগী মনুংদা ব্রেকফাষ্টকা মরী লৈনবা খুদোংচাবশিংদি লৌররোই। মসিনা মরম ওইরগা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা চাওনা ঈকায়বা পীরে। মখা তানা থোক্তনবা খুদোংচাবা অসি মহাক্লা মশাগী ওইনা ককথৎলে হায়রি। মহাক্লা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎলিবা ওফিসরশিং অদুগা উন্নদুনা মরিক চুম্না থিগৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি। পুলিসনসু হীরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা পাউদম অমা মীয়ামদা অথুবা মতমদা তম্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

## এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল লুপখিবা য়ানা লৈরে: নেভি ওফিসল

কলম্বো, জুন ০২ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী গুজরাটতগী কেমিকেলশিং অমদি কোসমেটিক্কী পোৎলমশিং পুরগা শ্রী লঙ্কা তম্না লাকখিবা এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী ফায়র ফাইটরশিংনা নুমিৎ ১৩ নি রোম চঙনা হোৎনদুনা মুথৎখ্রবা মতুং জহাজ অদু ঈশিংদা লুপখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না নেভি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কেমিকেলশিং অমসুং প্লাষ্টিক্কী পোত্থোক টন ১০০ রোম হেন্না পুরগা লাকখিবা জহাজ অদু মৈ চাকপদগী মদুদগী থোরকখিবা মহিশিং অদুনা শ্রী লঙ্কাগী সমুদ্র খোঙবানদা প্লাষ্টিক মতুম কয়া তাওশিল্লকখিবনি। ইন্দিয়ন ওসিনদা করিগুম্বা জহাজ অসি লুপখ্রবদি মসিদগী থোরক্কদৌরিবা কেমিকেলশিং অদুনা অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদা চাওনা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈ।

নেভিগী ৱাঙাঙলোয় ইন্দিকা দে সিলভানা ফোঙদোকখিবদা জহাজ অদু মফম অদুদগী লৌথোক্লবা নেভিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুমওইনমক জহাজ অদুগী শরুক অয়াম্বা মৈনা চাকখিবনা মরম ওইরগা ঈশিংদা লুপ্পা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা জহাজ অদু লুপখ্রগনি হায়না থাজনরি।

মীয়াম্না জহাজ অদু লুপখিবা মতমদা কিনরিবসি জহাজ অদুদা য়াওখ্রিবা মশীং য়াল্লবা থাউ অমদি কেমিকেলশিং অদুননি। জহাজ অদুদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা ফায়র ফাইটরশিংনসু ঈশিংগী শরুক কা হেন্না কাপশিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা হান্না লৈজরম্বা অরুম্বগী চাংদগী অমুক্কা হেন্না লুমথরকপনা মরম ওইরগা জহাজ অদু লুপনবা অচৌবা মরম অমা ওই হায়রি।

ꯆꯦꯛ / CHEQUE অমা তাহৌরে

ঐগী মীংদা ইস্যু তৌবা IDBI Bank কী Cheque no. 108630 অসি হৌখিবা তাং ৩০/০৫/২১দা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Sd/- Thokchom Chandrashakhi Devi
# 7005030381

HL-P/9797/3

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR

Ref.:- Mut. Case No. 244/SDC/P/21

(I) Sorokhaibam Bikram Singh S/o (L) Ibocha Singh of Ghari Makha Leikai, (II) -do- (n) Chabungbam (o) Indrani Devi D/o (L) Ibocha Singh of -do-, (III) -do- (n) Ningthoujam (o) Tampak Devi D/o (L) -do- of -do-, (IV)-do- (n) Keithellakpam (o) Lata Devi D/o (L) -do- of -do-.
-Petitioners

-Vs-

Late Sorokhaibam Ibocha Singh S/o (L) Anganghal Singh of Ghari.
-O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

The 7th May, 2021

U/S 46 (3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার শোরোখাইবম ইবোচা সিংহ পীং মৃ: অঙাংহল সিংহ, সাং ঘরিগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৮২-ঘরিগী অনৌবা পাট্টা নং ২৬৪, দাগ নং ২৭১/৪১৬ অমসুং এরিয়ানা .৫২ একর চাওবা ইখ্বোলগী অৱাং থংবদা .১১ একর এপ্লিকান্ট নং ২,৩,৪গী শরুক অমসুং খা থংবদা .৪১ একর এপ্লিকান্ট নং ১ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইখ্বোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi.

HL-P/9800/3

ꯊꯥꯒꯠꯆꯕ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 171,993,794 | +77,114 | 3,577,436 | +1,879 | 154,710,942 | 13,705,416 |
| 1 | USA | 34,136,738 | | 610,436 | | 27,940,918 | 5,585,384 |
| 2 | India | 28,307,832 | +949 | 335,114 | | 26,179,085 | 1,793,633 |
| 3 | Brazil | 16,625,572 | | 465,312 | | 15,068,146 | 1,092,114 |
| 4 | France | 5,677,172 | | 109,662 | | 5,353,638 | 213,872 |
| 5 | Turkey | 5,256,516 | | 47,656 | | 5,124,081 | 84,779 |
| 6 | Russia | 5,090,249 | +8,832 | 122,267 | +394 | 4,702,599 | 265,383 |
| 7 | UK | 4,490,438 | | 127,782 | | 4,291,487 | 71,169 |
| 8 | Italy | 4,220,304 | | 126,221 | | 3,868,332 | 225,751 |
| 9 | Argentina | 3,817,139 | | 78,733 | | 3,381,337 | 357,069 |
| 10 | Germany | 3,692,908 | | 89,316 | | 3,509,600 | 93,992 |
| 11 | Spain | 3,682,778 | | 79,983 | | 3,455,123 | 147,672 |
| 12 | Colombia | 3,432,422 | | 89,297 | | 3,193,406 | 149,719 |
| 13 | Iran | 2,935,443 | +11,620 | 80,488 | +161 | 2,494,108 | 360,847 |
| 14 | Poland | 2,873,527 | +664 | 73,984 | +128 | 2,641,139 | 158,404 |
| 15 | Mexico | 2,420,659 | +6,917 | 223,568 | | 1,930,608 | 266,483 |
| 16 | Ukraine | 2,206,836 | +2,205 | 50,857 | +158 | 2,062,572 | 93,407 |
| 17 | Peru | 1,961,087 | | 69,342 | | 1,720,665 | 171,080 |
| 18 | Indonesia | 1,831,773 | +5,246 | 50,908 | +185 | 1,680,501 | 100,364 |
| 19 | South Africa | 1,669,231 | | 56,601 | | 1,563,719 | 48,911 |
| 20 | Czechia | 1,662,256 | +475 | 30,126 | +2 | 1,622,432 | 9,698 |
| 21 | Netherlands | 1,651,780 | | 17,632 | | 1,489,983 | 144,165 |
| 22 | Chile | 1,389,357 | | 29,344 | | 1,315,860 | 44,153 |
| 23 | Canada | 1,383,215 | | 25,566 | | 1,326,485 | 31,164 |
| 24 | Philippines | 1,240,716 | +5,257 | 21,158 | +146 | 1,167,426 | 52,132 |
| 25 | Iraq | 1,205,522 | | 16,405 | | 1,120,799 | 68,318 |
| 26 | Romania | 1,078,142 | +164 | 30,415 | +62 | 1,040,869 | 6,858 |
| 27 | Sweden | 1,068,473 | | 14,413 | | 970,963 | 83,097 |
| 28 | Belgium | 1,063,499 | +1,498 | 24,968 | +13 | 968,479 | 70,052 |
| 29 | Pakistan | 924,667 | +1,843 | 20,930 | +80 | 848,685 | 55,052 |
| 30 | Portugal | 849,538 | | 17,025 | | 809,813 | 22,700 |
| 31 | Israel | 839,515 | +4 | 6,413 | | 832,764 | 338 |
| 32 | Hungary | 804,987 | +275 | 29,774 | +13 | 705,378 | 69,835 |
| 33 | Bangladesh | 802,305 | | 12,660 | | 742,151 | 47,494 |
| 34 | Japan | 749,130 | +2,642 | 13,140 | +91 | 685,365 | 50,625 |
| 35 | Jordan | 737,284 | | 9,472 | | 716,960 | 10,852 |
| 36 | Serbia | 712,702 | | 6,872 | | 697,533 | 8,297 |
| 37 | Switzerland | 695,496 | | 10,826 | | 649,199 | 35,471 |
| 38 | Austria | 645,552 | +400 | 10,621 | +6 | 630,274 | 4,657 |
| 39 | Malaysia | 587,165 | +7,703 | 2,993 | +126 | 501,898 | 82,274 |
| 40 | UAE | 574,958 | +2,154 | 1,686 | +2 | 554,589 | 18,683 |
| 41 | Nepal | 566,587 | | 7,454 | | 454,344 | 104,789 |
| 42 | Lebanon | 540,630 | | 7,735 | | 520,473 | 12,422 |
| 43 | Morocco | 519,610 | | 9,154 | | 507,528 | 2,928 |
| 44 | Saudi Arabia | 451,687 | | 7,377 | | 434,439 | 9,871 |
| 45 | Ecuador | 427,690 | | 20,620 | | 375,151 | 31,919 |
| 46 | Bulgaria | 418,813 | | 17,726 | | 383,765 | 17,322 |
| 47 | Greece | 404,163 | | 12,122 | | 373,349 | 18,692 |
| 48 | Belarus | 395,075 | | 2,861 | | 386,088 | 6,126 |
| 49 | Slovakia | 389,990 | +124 | 12,366 | +13 | 375,785 | 1,839 |
| 50 | Kazakhstan | 388,991 | +1,319 | 3,974 | | 359,443 | 25,574 |
| 51 | Panama | 378,828 | | 6,377 | | 366,039 | 6,412 |
| 52 | Bolivia | 374,718 | +3,439 | 14,639 | +115 | 297,580 | 62,499 |
| 53 | Paraguay | 358,244 | | 9,293 | | 294,994 | 53,957 |
| 54 | Croatia | 356,829 | +432 | 8,042 | +8 | 346,796 | 1,991 |
| 55 | Tunisia | 346,986 | | 12,720 | | 305,055 | 29,211 |